# নোর্থ ইষ্টতা অসামনা জপানিস ইন্সেফেলাইটিসকী কেস খ্বাইদগী ৱাংনা মায়োক্লে

*গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

নোর্থ ইষ্টতা অসামনা জপানিস ইন্সেফেলাইটিস লায়ননা শোকহনবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলি। ইং ২০১০দগী ইং ২০১৬ ফাওবদা অসামদা জপানিস ইন্সেফেলাইটিসনা মীওই ৩,৩৯১ নাহনখি। মীওই ৭৭৯না শীহনখি। ওইরিবা ফিভম অদু অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মনুংদা লায়না অদুনা শোকহনবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলবনি হায়রি।



ফিভম অদু য়েংলগা মমাংগী লৈঙাক্লা ইং ২০১২দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লায়না অদু ঙাকথোক্লবগীদমক টিকা থাবগী থবক পায়খৎখি। হায়রিবা চহী ২০১০-২০১৬দা মণিপুরদা জপানিস ইন্সেফেলাইটিসনা শোকহনবা মীগী মশিং ১০৮ লৈখি। মদুগী মনুং ৬ শীখি।

নাগালেন্দনা ৪১ শোকহনবগী মনুংদা ৫ শীখি। মেঘলয়াদা ১৫০ নাহনবদা ১৫ শীখি। ত্রিপুরাদা ১৫২ লায়না অদুনা নাবদা ৫ শীখি। অদুগা অরুনাচল প্রদেশতনা ৬৪ নাবদা মীওই ৫ শীখি হায়রি।

ইং ২০১০ খক্তদা অসামদা জপানিস ইন্সেফেলাইটিসনা মীওই ১৪২ নাহনখি। মনুগী মনুংদা ৪০ শীখি হায়রি। মথংগী চহীদা মীওই ৪৮৯ নাবদা ১১৩ শীখি।

ইং ২০১২দনা চাং খরা হন্থনা মীওই ৪৬৩ লায়না অদুনা নাহনখি। ওইরিবা ফিভম অদু নুংনাংনিংঙাই ওইবা অমনি। ইং ২০১৪দা মীওই ৭৬১ লায়না অদুনা নাবগী মনুংদা মীওই ১৫৪ শীখি। মদুগা মান্ননা ইং ২০১৫দা লায়না অদুনা মীওই ৬১৪ শোকহনখি। অদুগা ১৩৫না শীহনখি হায়রি।

মমাঙ চহীদা হৌখিবা চহীশিংগা য়েংনবদা চাং খরা হন্থরকপা উখি। ইং ২০১৬তা মীওই ৪২৭ জপানিস ইন্সেফেলাইটিসনা নাখি মখোয়গী মনুংদা মীওই ৯২ শীখি।

ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা অকনবা থৌরাং পায়খৎতুনা চহী ১৫দগী ৬৫ ফাওবদা লৈবা মীওইশিং টিকা কাপথোকপগী থবক পায়খৎখি। দিষ্ট্রিক্ট ৪দা মরু ওইনা লায়না অদু শন্দোরকপা থেংনবনা অখন্ননা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদা মীৎয়েং চংখি।

ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা অসামনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মনুংদা জপানিস ইন্সেফেলাইটিসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা ষ্টেট ওইরে। মদু ষ্টেট অদুগী ওইরিবা ঈশিং নুংশিৎ অমসুং লৌউ শিংউবগী মওং অদুনা ওইরম্বা য়াই।

ষ্টেট অদুগী লৌ উবা লৌবুকশিংদা চরু কয়া চাইথোক্তুনা পথা পুমথদুনা লৈবা অমদি কাঙ অমসুং হয়িংনা লায়না কয়া শান্দোরকপা য়াবগী খুদোংথিবা লৈবনননি হায়রি।

# পাকিস্তান পঞ্জাবতগী টেরোরিষ্টশিং চীংনবা মীওই ৬০০ পাকিস্তান রেঞ্জরশিংনা ফাগৎখ্রে



*ইস্লামদাদ, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

পাকিস্তাননা লৈবাক শীন-থুংনা চখবা রদ-উল-ফসাদ ওপরেসনগী মখাদা পঞ্জাব প্রোভিন্সতগী টেরোরিষ্টশিং চীংনবা মীওই ৬০০ ফাগৎলে। অদুগা টেরোরিষ্ট ৪না হাৎখ্রে।

পাকিস্তান লান্মীনা মমাঙ চয়োলদগী রদ-উল-ফসাদ ওপরেসন চখবা হৌখিবনি। রদ-উল-ফসাদ হায়রিবা ৱাহৈ অসি অরাবিক লোলনি। অর্থনা হায়বা ইন্দবশিং মাংহনবা হায়বনি হায়রি।

ওপরেসন অদু পাকিস্তান লান্মীনা লৈবাক শীন-থুংনা চখদুনা টেরোরিষ্ট মাংহন্নবা অমসুং কাউন্টর টেরোরিজম মহৈ য়াননবা থৌশিল অমনি। সিন্দ প্রোভিন্সতা লৈব সুফি স্রাইনদা এটেক্ট চখদুনা মীওই ১২৫ শীহনখিবা থৌদোক্কী মতুংদা পকিস্তান রেঞ্জরশিংনা থৌশিল অদু পায়খৎলকখিবনি।

পঞ্জাব প্রোভিন্সতা টেরোরিজম থেংননবগীদমক পেরা মিলিটরি রেঞ্জরশিং দিপ্লোই তৌখি। লান্মীগী মেদিয়া ৱিং ইন্টরসার্ভিস রিপব্লিক রিলেসননা ফোঙদোরকখিবদা পঞ্জাব রেঞ্জরশিংনা ওপরেসন ২০০ রোম পঞ্জাবকী করোর, রেয়হ অমসুং ৱালপিন্দিদা চখখি।

অদুগুম্বা ওপরেসন অদুদা অফগানিস্তানদগী লানশিল্লকপা টেরোরিষ্ট য়াওনা টেরোরিষ্টনি চীংনবা মীওই ৬০০ ফাগৎখি। ওপরেসন মনুংদা টেরোরিষ্ট ৪সু সিক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখি হায়রি।

ওপরেসন মনুংদা পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা চীংনবা য়ুম, দুকান অমসুং মফম কয়াদা থি-হুম্বগী থবক চখখি। জমদ-উ-অহাররনি চিংনবা অমসুং লৈবাক অদুদা টেরর এটেক্ট কয়া চখখিবনি হায়বা মীওই কয়া ফাগৎলবশিং অদুগী মনুংদা য়াওরি।

মোল রোদ লাহোরদা সুসাইদ বোম এটেক্ট চখরকখিবা অদু জমদ-উ-আহররনা চখখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখিবসু লৈখ্রে। ওপরেসন অদুদা খুৎশু-খুৎলাই অমসুং লালহৌবশিংগা মরী লৈনবা চে-চাং কয়াসু ফাগৎখি হায়রি।

নৱাজ সারিফ লৈঙাক্লা মোল রোদ লাহোর বোম্বিংগী মতুংদা পঞ্জাব প্রোভিন্সতা রেঞ্জর কয়া থাজিন্নবা ৱারেপ লৌখি। ওপোজিসন পার্টিনসু পঞ্জাব প্রোভিন্সতা রেঞ্জরশিং থাজিন্নবা কয়ারক হন্না দিমান্দ তৌরকপা লৈখি। প্রোভিন্স অদুগী খা থংবা শরুকশিংদা মিলিটেন্ট কয়া লৈরে হায়বগী চীংনবা লৈবনা ওপরেসন চখনবা ওপোজিসন পার্টিনা দিমান্দ তৌখিবনি হায়রি।

ফেব্রুৱারি ১৭কী থৌদোক মতুংদগী লমদম অদুদা কাউন্টর টেরোরিজম দিপার্টমেন্টনা টেরোরিষ্ট ১৭ হাৎখিবসু লৈখ্রে হায়রি। রদ-উল-ফসাদ ওপরেসননা পঞ্জাব প্রোভিন্সতা লৈরিবা টেরোরিষ্টশিং মাংহন্নবগী পান্দমদা থবক পায়খৎখি। পাকিস্তান এয়ারফোর্স, নেভি, সিভিল আর্ম ফোর্সনসু ওপরেসন চখবা অদুদা মতেং পাংখি হায়রি।

# ফাখিবা জালিনোটশিং স্কেন কোপিশিংনি ঃ এন আই এ

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

নেসনেল ইনভেষ্টিকেসন এজেন্সি অমসুং সেন্ট্রেল এজেন্সিশিংনা ফাগৎখিবা ২০০০ চৎপীগী জালিনোটশিং অদু অফবা মখলগী অমত্তা নত্তে। অদুগুম্বা জালিনোটশিং অদু শেনয়েক অদুগী ময়াইদা য়াওবা মেটালিক স্ট্রিপ য়াওদবা স্কেন কোপীশিংনি হায়না এন আই এ অমসুং ইন্টিলিজেন্স ব্যুরোনা ফোঙদোরক্লি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসনা মুর্সিদবাদতগী চৎলিবা থা অসিদা ২০০০ চৎপীগী জালিনোট ৪০ ফাখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতুংদা ইন্দিয়া-বঙ্গলাদেশকা তাইনবা মলদাগী শরুক্তগী জালিনোট ৪৮ ফাখিবসু লৈখ্রে।

ফেব্রুৱারি ১৪দা মলদাদগী উমর ফরুক কৌবা মীওই অমা এন আই এনা ফাগৎখি। মঙোন্দগী জালিনোট ২০০০ চৎপী ৩ ফংখি হায়রি।

এন আই এগী মকোক থোংবা ওফিসারশিংগী মতুংদা ফাগৎখিবা জালিনোটশিং অদু স্কেন কোপিশিংনি। মদু অফবা মখলগী জালিনোট নত্তে। নেপাল অমসুং বঙ্গলাদেশ ঙমখৈদগী ফাগৎখিবা জালিনোটশিং অদু কুপ্না য়েংশিনবগী থবক চখরি। হায়রিবা জোলিনোটশিং অদু স্কেন কোপিশিংনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ২০০০ চৎপী শেনয়েকশিং নিংথিনা শেম শাদুনা জালিনোট শাবা থেংনবা লৈত্রি হায়রি।

# আর্মি রিক্যুইটমেন্ট বোর্দকী ৱাহং লিক ওইরে ইগজাম সেন্টর ৬ তা কেন্সেল তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

ইন্দিয়ান আর্মিগী নোংচুপ থংবা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদবা রিক্যুইটমেন্ট ইগজামগী ৱাহং লিক ওইরকখি। কামটি, নাগপুর, অহামেদনগর, অহামেদবাদ, গোৱা অমসুং কিরকি ইগজমিনেসন সেন্টরশিংদা পাঙথোক্কদবা চাংয়েং ককথৎখ্রে।

লৈবাক অসিগী ওইনা সেন্টর ৫২ হাংদোক্তুনা সোলজর ক্লার্ক অমসুং ষ্ট্রোংমেন অমসুং সোলজর ত্রেটস মেন লৌবগী ইগজাম পাঙথোক্লবা হোৎনখিবনি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না লান্মীনা থোক্লিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মনুংগী ওইবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চখনবা য়াথং পীখ্রে। লোয়ননা থিজিনবা অদুদা ফংলকপা মহৈগী মতুং ইন্না মখা তাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না ইগজাম পাঙথোক্লিঙৈ মাংওইননা পুলিস অমসুং ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংদা ইগজাম অদু অশোই অঙাম য়াওদনা পাঙথোক্লবা থবক পায়খৎনবা খঙহনখিবা লৈখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মহৈরোই ২৫০ ফাগৎলে। ইগজাম অদুবু মায়োক্লগদবা মহৈরোইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মখোয়না অদুগুম্বা এগজাম অদু য়াওননবা তোঙান-তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা কোচিং ক্লাস লৌবা মতমদা ৱাহং অমসুং পাউখুমশিং অদু পীরকখিবনি। মহৈরোইশিং অদুনা ফোঙদোকখিবদা অদুগুম্বা ইগজাম অদুগীদমক লুপা লাক্ষ ২ পীখি হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা ইকজামশিং অদুদা মহৈরোই খরনা হান্ননা ৱাহং অদু খঙবগী মওং লৈরমখি। পুলিসনা হৌজিক ৱাহং চে অদু কমদৌনা লিক ওইরকখিবনো হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

# মেঘলয়াদা থোকখিবা ত্রক এক্সিদেন্টতা ১৬ শীরে, ৫০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে



*সিল্লোং, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

মেঘলয়াগী ৱেষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টতা ত্রক অমনা বেরিকেদতা থোমজিনবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শীখ্রে। অদুগা ৫০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদু ৱেষ্ট খাসি হিলসকী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর নোংষ্টোইনদগী কিলোমিটর ১১ রোম চৎলগা লৈবা জাদোক্রোহ খুঙ্গংদা থোকখিবনি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মীওই ৬০ রোম পুদুনা লাকখিবা য়াঙনা থৌরকপা ত্রক অদুনা বেরিকেদতা থোমজিনখি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্নদি ত্রক অদুদা মীওই ৩০ রোম তোংলক্লম্বা য়াই হায়রি।

ত্রক অদুনা বেরিকেদতা থোমজিল্লবা মতুং অরুবা লোকচপতা ওন্থখি। ত্রক অদুদা মীওই কয়া তোংলকখিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ৱেষ্ট খাসি হিলসকী পুলিসকী মকোক সেলভেষ্টর নোংতাঙ্গরনা ফোঙদোরকখিবদা খুদোংথিবা নংলবা মীওইশিং অদু নোংলাং খুঙ্গংদগী থৌরম অমা য়াওননবগীদমক সিনোট প্রেস বেটরিয়ান চর্চ তম্না চৎপনি।

মফম অদুমক্তুদা মীওই ১২ শীখি। অদুগা ৪না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুং লৈখিদবনি হায়রি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা ৯দি নুপীশিংনি। মখোয়গী মনুংদা চহী ১৩ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা য়াওরি হায়রি।

শোক্লবশিংগী অদুগী মনুংদা ত্রক অদুগী দ্রাইভর অমসুং হেনিদমেন য়াওরি। মখোয় সিল্লোং সিভিল হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। মীৎনা উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম পল্লদুনা পুলিস ওফিসার অদুনা হায়, থৌদোক অদু থৌশাদনা গারী থৌবদগী থোকখিবনি।

অদুম ওইনমক থিগৎলবা মতুং খুদোংথিবা থৌদোক অদুগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমগনি হায়খি।

# জর্মনিগী এক্সিদেন্টতা ১ শীরে, ২ শোক্লে

*ফ্রেঙ্কফর্ট, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

খা থংবা জর্মনিগী হেদেলবর্গ সহরদা ঙরাং কার অমনা খোঙলম্বীদা থৌজিল্লকপদা মীওই ১ শীরে, অদুগা ২না অশোক অপন নংখ্রে। থৌদোক অদু টেরর এটেক্ট নত্তে। খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা গারী অদুগী দ্রাইভর চহী ৩৫ রোম শুরবা জর্মন মচা অদু গারীদগী কুমথদুনা থাং অমা পায়বগা লোয়ননা মী চীনবা সেন্টর ষ্ট্রিটতা চেনশিনখি।

অদুম ওইনমক পুলিসনা নোংমৈ কাপ্তুনা মীওই অদু শোকহনবগা লোয়ননা ফাখি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না চহী ৭৩ শুরবা মীওই অমা গারী থৌজিল্লকপা অদুনা মরম ওইরগা অরুবা ফিভমদা শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুং লৈখিদ্রে।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না চহী ৩২ রোম শুরবা অষ্ট্রেলিয়া মচা অমা অমসুং বোসনিয়াগী চহী ২৯ লোম শুরবী নুপী অমা শোকখি। থৌদোক অদু থিগৎপগা লোয়ননা টেরোরিষ্টগী থৌশিলশিংগা মরী লৈনদে হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

# টাইমস ওফ ইন্দিয়াগী বিল্ডিং মৈ চাকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

ন্যু দিল্লিদা লৈবা টাইমস ওফ ইন্দিয়াগী বিল্ডিংদা চাওনা মৈহৌ লাংপোক থোকখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোক অদু চহী ২গী মনুংদা অনীশুবা থৌদোকনি।

ফাইয়র ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না ময়াই থংবা দিল্লিদা লৈবা শকখঙনরবা পাউ-চে টাইমস ওফ ইন্দিয়াগী বিল্ডিং মৈ চাক্লে হায়বদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৪৫ চৎপদা রিপোর্ট তৌরকখি।

ফাইয়র টেন্দর ১০ মফম অদুদা চংশিন্দুনা মৈ কন্নবা হোৎনখি। তুংদা অতোপ্পা ফাইয়র টেন্দর ২২সু চংশিনখি। মৈ অদু শরুক খরদি মুত্থৎপা ঙম্লে। মখা তানা থবক পায়খৎলি হায়রি।

সেনিয়র পুলিস ওফিসার অমগী মতুং ইন্না মথোল মরি ৱাংবা বহাদুর সাহ সফর মার্গতা লৈবা ওফিস বিল্ডিং অদুগী অহানবা মথোলদগী মৈ অদু হৌরকখিবনি। ওফিস অদুদা লৈখিবা মীওইশিং মতম চানা চেহ্নোকপা ঙমহৌখি।

মৈ অদু বিল্ডিং অদুদা হাপ্পা কুল্লিং সিষ্টেমদগী হৌরকপা ওইরম্বা য়াই হায়বগী চীংনবা লৈ। থুনা মৈ অদু অহানবা মথোলগী মফম অয়াম্বদা শন্দোরকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মাং তাকখিবা অদুগী চাং চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

মমাঙ চহীগী মে থাদা বিল্ডিং অদুমক্তুদা চাওনা মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রে। মদুদা বিল্ডিং অদুগী মথক ইথং থংবা ফ্লোর চাওনা মাং তাকখিবনি হায়রি।

## GAS TODAY

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......02/11/2016
Valid from ........... 26/10/2016
Stk ......................306(DBTL)
Timing........7.30 to 09.30 a.m

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking upto .......07/11/2016
Valid from ........... 28/10/2016
Stk ................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto .......05/12/2016
Valid from ........... 02/11/2016
Stk ................................306
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**MM GAS**
Booking upto .......22/11/2016
Valid from ........... 04/11/2016
Stk ................................612
Timing........7.00 to 10.30 a.m

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto .......25/11/2016
Valid from ........... 07/11/2016
Stk ................................306
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto .......07/11/2016
Valid from ........... 26/11/2016
Stk 14kg ........................576
19 kg .............................. 24
Rate ...............................809
Timing........8.00 to 10.30 a.m

**ATHOKPAM INDANE (Thoubal & Athokpam Consumers)**
Booking upto .......07/11/2016
Valid from ........... 01/11/2016
Stk ................................612
Timing........7.00 to 10.00 a.m
Submit Aadhar Xerox Copy

**HRANGCHAL GAS**
Booking upto .......15/12/2016
Valid from ........... 12/12/2016
Stk ................................306
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**GBD INDANE SERVICE**
Booking upto .......13/10/2016
Valid from ........... 24/09/2016
Stk .......................612 (CTC)
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto .......19/12/2016
Sl. No. Upto 45860
Valid from ........... 29/11/2016
Stk ......................306(DBTL)
FIRST COME FIRST SERVE

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......04/11/2016
Sl. No. 2310
Stk ................................306
19 kg ...............................12
Timing........7.00 to 11.00 a.m

# সৌরষ্ট্রা লাইশঙদা এটেক্ট চখনবা থৌরাং তৌবনি হায়বা আই এস আই এসকা শম্নবা মীওই অনী ফারে

*অহামেদবাদ, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

ইস্লামিক ষ্টেট ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)কা শম্নবনি হায়বা মীওই ২ গুজরাটগী রাজকোট অমসুং ভবানগরদগী ফারে।

অহানবা ওইনা ফাখিবা মীওইশিং অদু গুজরাটতা লৈবা আই এস আই এসকা শম্নবা মীওইশিংনি। মমাঙগী থৌদোক কয়াদা আই এস আই এসনা ভিদিও কয়া ওন লাইনদা থাগৎতুনা মীওই কয়াগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিদা হকথেংননা আই এস আই এসকা মরী লৈনরম্বশিং থেংনবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

ৱাসিম অরিফ রামোদিয়া অমসুং নায়িম অরিফ রামোদিয়া কৌবা মীওই অনী অদু মহৈমশিং নিংথিনা হৈরবা মীওইশিংনি। মখোয়না করম তৌনা আইননা য়াদবা কাংলুপশিং অদুগা শম্নরল্লিবনো হায়বদু অঙকপা অমনি। মখোয়গী মথক্তা শীরিবা মরাল অদু অচুম্বরা নত্রগা অরানবরা হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

অদুম ওইনমক পাউগী লিখুল অসিগী মতুং ইন্না মচিন মনাও অদুনা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা সৌরষ্ট্রা লাইশঙদা এটেক্ট চখনবা হোৎনরমখি হায়রি। মদুতা নত্তনা সৌরষ্ট্রাদা লৈবা মীয়াম্না শকখঙনরবা চমুন্দার লাইশঙদা এটেক্ট চখরকপা য়াই হায়বগী পাউসু লৈরি।

মখোয়না লোন ৱোল্ফ এটেক্ট হায়না মমিং থোন্দুনা লমদম অদুদা লৈবা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা মফমশিংদা এটেক্ট চখনবা থৌরাং তৌরমখি হায়রি।

# মেঘলয়াগী আইননা অথিংবা থমদ্রিবা য়ু এ এল এগী লুচিংবা খুৎ থোক্লবদা শীরে

*টুরা, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

মেঘলয়াদা আইনগী ওইবা অথিংবদি থমদ্রিবা য়ুনাইদেট অ'চিক লিভরেনস আর্মি (য়ু এ এল এ)না ষ্টেট অদুদা মিলিটেন্টকী চৈফু অমা পীরকখিবা লৈখ্রে।

হায়রিবা লালহৌলুপ অদুগী লুচিংবা সিংবার্থ মারক এলাইজ নোরোক এক্স মোমিন থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা নোর্থ গারো হিলসতা খুৎ থোক্লবদা শীরে।

থৌদোক অদু ফেব্রৱারি ২৫গী নুমিদাং পুং ৭লোম তাবদা স্পিসিয়েল ফোর্সকী টেন কম্মান্দাস অমসুং নোর্থ গারো হিলসকী টিম অমনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী মনাক নকনা লৈবা থাপা মেট্রোগ্রি অমসুং থাপা অগিসক্তা থি-হুম্বগী থবক চখবদা থোকখিবনি।

পুলিসনা চাইনানা শাবা এ কে ১ অমসুং পিষ্টোল অমা লৈখিদ্রবা মিলিটেন্ট অদুদগী ফংবা ঙমখি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মফম অদুদা মিলিটেন্ট ৪ নত্রগা ৫ চখোকচৎশিন তৌদুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংখি। মফম অদুদা চংশিন্দুনা পুলিসনা মীওইশিং অদু সরেন্দর তৌননবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক রিবেলশিং অদুনা পুলিস ফোর্স তম্না নোংমৈ কাপ্লকপদগী হন্দুনা কাপ্পদা মীওই অমা হাৎখি হায়রি।

মিনিট ৩-৪ রোম নোংমৈ কাপ্নরবা মতুং মারক হাৎপা ঙমখিবনি। অদুগা অতোপ্পা কাদরশিং অদুনা অমম্বগী খুদোং চাবা লৌদুনা চীংগী চীংচেপতা চেম্থদুনা নাম্থোকখি হায়রি।

# য়ু পিগী ৫শুবা ফেজগী মীখল ঙসি পাঙথোক্লগনি



*লখনৌ, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

নেপালগী চীংখোঙদা লৈবা উট্টরপ্রদেশকী নোংপোক থংবা শরুক্তা ঙসি ষ্টেট অদুগী ৫শুবা ফেজগী মীখল পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইখ্রে। নেহরু-গান্ধিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবা অমেথিসু মীখল পাঙথোক্কদবশিংগী মনুংদা য়াওরি।

এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫১ ষ্টেট অদুগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১১দা শন্দোক্তুনা লৈরি। নেপালগা তাইনবা অমদি নেপালগী চিংখোঙ লমদম য়ৌনা ৫শুবা ফেজগী মীখল অদু পাংথোক্লবা শেম শারি। ৫শুবা ফেজগী মীখল অদুদা মীখল থেংনরিবশিংগী মনুংদা গাইত্রি প্রসাদ প্রজাপতি সিংহ, কংগ্রেসকী অমিতা সিংহ অমসুং বি জে পিগী গারিমা সিংহ মীখল থেংনরি।

রাহুল গান্ধিগী লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা কংগ্রেসকী লুচিংবা সঞ্জস সিংহগী লোইনবী অমিতা মীরেপ ওইরি।

মীখল পাঙথোক্কদবা মফমশিং অদুদি বলরামপুর, গোন্দা, ফৈজাবাদ, অম্বেটকরনাগর, বহরাইচ, স্রভাষ্টি, বষ্টি, সিদরথনগর, সেন্ট কমিরনগর, অমেথি অমসুং সুলটানপুরনি হায়রি।

সমাজ ৱাদি পার্টিগী মীরেপ চন্দ্রসেখর কনৌজিয়া লৈখিদবনা মরম ওইরগা অল্লাপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল মার্চ ৯দা পাঙথোক্লবা ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকখ্রে। লৈঙাক পায়রিবা সমাজ ৱাদি পার্টিনা মমাঙগী ইং ২০১২গী মীখলদা ফেজ অদুগী মীখল পাঙথোক্লিবা সিট ৫২গী মনুংদা ৩৭ ফংবা ঙমখি। বি জে পি অমসুং কংগ্রেসনা শুপ্নতংগী সিট ৫ খক্তমক ফংখি। অদুগা বি এস পি অমসুং পিছ পার্টিনা মথং শীৎনা সিট ৩ অমসুং ২ ফংখিবনি হায়রি।

মীখল অদুগা মরী লৈননা ভোট খোম্বা লাক্লমখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গোন্দাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা কানপুর ত্রেন এক্সিদেন্ট থোকপদগী মীওই ১৫০গী পুন্সি মাংখিবা লৈখ্রে।

অদুগুম্বা থৌদোক অদু লৌতুনবা অমসুং মঙক কনবা মীওইশিংনা চখখিবনি। গোন্দা হায়রিবা মফম অদু নেপাল ঙমখৈগা নক্না লৈবা মরু ওইবা মফম অমনি। ফেজ অসিদা মীরেপ ৬০৮না মখোয় মখোয়গী কন্সটিট্যুন্সিদা লম্বা তৌনরি। নুপী লাক্ষ ৯৬ য়াওনা ভোটর ক্রোর ১.৮৪না মীরেপশিং অদুগী মরাইবক লেপকদৌরি হায়রি।

# থেঙ্গু চারুবা মীওই ২ শীরে, ১না লায়কন্নখ্রে



*ইলুরু, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

অন্দ্রপ্রদেশকী ৱেষ্ট গোদাবরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অঙ্কনা গুদেম খুঙ্গংদা থেঙ্গু চারুবা মীওই অনী শীরে। অদুগা অমনা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি খুঙ্গং অদুদা লৈবা সোয়াম সত্যানরায়না অমসুং মহাক্কী লোইনবী এস দ্রর্গানি হায়রি।

মখোয়না ঙরাং নুমিদাং থেঙ্গু থোংদুনা চারুরবা মতুং মীৎকুপখরগী মতুংদা জ্ঞান মাংদুনা তুরকখি হায়রি। মখোয় জঙ্গরেদিগুদেম হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

অদুম ওইনমক মীওই অনী অদু লৈখিদ্রে। মখোয়গী মচানুপা এস মধুনা হৌজিক হোস্পিটালদা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি হায়রি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা মীওইশিং অদুনা থেঙ্গুগী শাদোং চারুবদগী ফিভম অদু ওইহনখিব্রা নত্রগা মীওই খরনা মখোয়গী চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদুদা হু হাপচিল্লম্ব্রা হায়বা খঙদোক্লবা থিগৎপগী থবক চখবা হৌখ্রে।

মীওইশিং অদুনা ঙরাং নুমিদাং থেঙ্গুগী শাদোং থোংদুনা চাখি। চাখিবা মতুং ইকুই কুইদনা মীওইশিং অদু জ্ঞান মাংলকখি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-793**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 3 | | 5 | | 9 | |
| | 2 | | | | | | | |
| | | 1 | | | 8 | | 4 | |
| 7 | | | | | | | | 9 |
| 3 | | | | 5 | 7 | | | |
| | 5 | | | 9 | 4 | | 2 | |
| 5 | 4 | 9 | | | | | 1 | 3 |
| | | 3 | 2 | 1 | | | | |
| | | 6 | | 4 | | | | |

*সনা-সুদোকু- ৭৯২ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | 7 | 1 | 5 | 9 | 8 | 6 | 2 |
| 1 | 6 | 5 | 3 | 2 | 8 | 7 | 9 | 4 |
| 9 | 2 | 8 | 6 | 4 | 7 | 5 | 3 | 1 |
| 8 | 1 | 3 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 | 7 |
| 2 | 7 | 9 | 4 | 3 | 5 | 1 | 8 | 6 |
| 5 | 4 | 6 | 8 | 7 | 1 | 3 | 2 | 9 |
| 6 | 9 | 1 | 7 | 8 | 3 | 2 | 4 | 5 |
| 7 | 8 | 4 | 5 | 6 | 2 | 9 | 1 | 3 |
| 3 | 5 | 2 | 9 | 1 | 4 | 6 | 7 | 8 |